# মোহন বগানগী মণিপুর মচা নোংদম্বা নাওরেমগী ফজবা মশান্নবা নেরোকা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে






ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৩(এজেন্সী): হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সীনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা লীগ অসিগী মকোক থোংবা টিম ওইরিবা মোহন বগান ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা নাওরেম নোংদম্বনা পাঞ্জল অমা চনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা পাঞ্জল অমা চনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা নেরোকাবু ৩-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মোহন বগান মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসিগী মেচ অদু মণিপুর ফুটবোল ক্লব নেরোকা এফ সীগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা মেচ ওইখি। মরমদি টিম অদুনা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ৭তা ২ মায় পাক্লগা মেচ ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৮দা লৈখিবনি। অমরোমদা মণিপুর মচা ধনচন্দ্রনা কেপ্টেন ওইরিবা মোহন বগানগী ফুটবোলনা হিরো আই লীগকী মমাঙদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা মাংজিল থাখিবা অদু মখা তানা মাংজিল থানগীদমক শেম শাখি।

ঙসি খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সি শৌগৎপা লাকখিবা মীয়াম্নসু মোহন বাগ টিম অদুদা কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা ধনচন্দ্র অমদি নাওরেম নোংদম্বা য়াওবা টিম অদুগী মশান্না অদুদা থৱায় তানা ফুটবোল মেচ অদু মীৎয়েং তাখি। অহানবা হাফতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা শান্নখি। মদুগী কান্নবা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা ফংখি।

ফিল্ডগী ওই থংবা মায়কৈদগী মোনহ বগানগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা নেরোকাগী দি বোক্সতা ঙাইহাক বোল মুন্নরবা মতুং নাওরেম নোংদম্বনা বোল ফংলগা কাউশিনখিবা অদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

কুমজা ২০১৭কী ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ডকপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইখিবা নাওরেম নোংদম্বনা অনীশুবা হাফতা য়াম্না ফজবা পাস অমা পীখিবা অদু টিমমেট পাপা দিয়াৱারানা ৫৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা নেরোকা এফ সী ০-২দা শোথদুনা লৈখি। নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা খুদোংচাবা ফংদনা লৈরিঙৈ মেচকী ইঞ্জুরি টামগী ৪শুবা মিনটতা মোহন বগানগী ক্রুরসুনোবনা পাঞ্জল অমগা হাপল্লিগা ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 9 | 6 | 2 | 1 | 17 | 7 | +10 | 20 |
| 2 | Punjab | 9 | 3 | 5 | 1 | 13 | 11 | +2 | 14 |
| 3 | TRAU | 8 | 3 | 2 | 3 | 9 | 11 | −2 | 11 |
| 4 | Churchill Brothers | 6 | 3 | 1 | 2 | 12 | 8 | +4 | 10 |
| 5 | Gokulam Kerala | 7 | 3 | 1 | 3 | 11 | 11 | 0 | 10 |
| 6 | Quess East Bengal | 7 | 2 | 2 | 3 | 10 | 10 | 0 | 8 |
| 7 | Aizawl | 7 | 1 | 5 | 1 | 9 | 9 | 0 | 8 |
| 8 | Chennai City | 6 | 2 | 2 | 2 | 9 | 10 | −1 | 8 |
| 9 | NEROCA | 8 | 2 | 2 | 4 | 8 | 14 | −6 | 8 |
| 10 | Real Kashmir | 6 | 1 | 3 | 2 | 6 | 8 | −2 | 6 |
| 11 | Indian Arrows | 7 | 1 | 1 | 5 | 4 | 9 | −5 | 4 |

### নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২০

# মোদেল ক্লব চীংঙামখা, আর সী এ লিলোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৩(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ/মোদেল হায়র সেকেন্দরি শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা পি টি সী সীবু রন ১০৪দা অদুগা আর সী এ লিলোংনা ওস্কারবু রন ৮১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেচতা মোদেল হায়র সেকেন্দরি/ওরিয়েন্টেল কোলেজ শান্নবুংদা পি টি সী সী অমসুং মোদেল ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা মোদেল ক্লবনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং খনখি। মোদেল ক্লবনা অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ৩০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২০৩ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু অভিজাননা রন ১০২, বিয়োননা রন ২০ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বোল্লিং তৌখিবদা ব্রেয়ননা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ১, গুংগুংনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৬, নিখিলনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি টি সী সীনা ওভর ২৩ মায়োক্লবদা ৱিকেট পূম্নমক তুরগা রন ৯৯ খক লৌদুনা মোদেল ক্লবকী মখূৎতা রন ১০৪দা মায়থীবা নংখি। পি টি সী সীগী স্কোরশিং অদু অনাওনা রন ১৮, তানিসকনা রন ১১, ব্রেয়ননা রন ৯, গুংগুংনা রন ৩ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী গ্রেনসননা ওভর ৩দা ৱিকেট ১, অভিজেননা ওভর ৪দা ৱিকেট ১, ইশাননা ওভর ৩দা ৱিকেট ১, সুসননা ওভর ৫দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা আর সী এ লিলোং অমসুং ওস্কার পাওনা বজার লম্বা তৌখি। মেচ অসি আর সী এনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা আর সী এনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ৩০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯৬ লৌবা ঙমখি। আর সী এগী রনশিং অদু অরিশনা রন ৬১, ইলিয়াশনা রন ৪৬, প্রভেশনা রন ১৯, সাদনা রন ১১ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা ওস্কারনা বোল্লিং তৌখিবদা কাওশাজনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৫, রৈচেননা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ১, চাদ্রাশোরনা ওভর ৩.১ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ওস্কারনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২৫.১ মায়োক্লবদা ওল আউট ওইরগা রন ১১৫ খক লৌদুনা রন ৮১দা মায়থীবা নংখি। ওস্কারগী রনশিং অদু রাজ কুমারনা রন ২৬, জাদু মিত্রানা রন ১২, প্রেমকুমারনা রন ১১, সন্তোশনা রন ৫, অঙ্কেশোরনা রন ৫ লৌবা ঙমখি।

আর সী এনা বোল্লিং তৌখিবদা প্রভেশনা ৱিকেট ৩, ইমটিয়াজনা ৱিকেট ২, অরিশনা ৱিকেট ২, জমিরনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

হয়েংগী মেচ লুৱাংপোকপা শান্নবুংদা ত্রাও অমসুং কে সী দি ও লম্বা তৌনগনি। মোদেল/ওরিয়েন্টেল গ্রাউন্দদা ৱাই দল্লিয়ু সী (এও) অমসুং পি টি আর সী লম্বা তৌনগনি।

### ৮শুবা ওল মণিপুর গুরখা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে জি ৱাই এ (বি) অমসুং কৌব্রু লৈখা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): কংলাতোংবী গুরখা য়ুথ এসোসিএসন্না শীন্দুনা মন্দির গ্রাউন্দদা চথরিবা ৮শুবা ওল মণিপুর গুরখা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে জি ৱাই এ (বি) অমসুং কৌব্রু লৈখা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা এস জি ৱাই সী সেরৌ মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা কে জি ৱাই এ (বি) অমসুং কৌব্রু লৈখা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি টিম অনীনা হেক হৌবগা মাঙজিল থানা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা কে জি ৱাই এ (বি) গী একাউন্ট গোপাল টিৱার জর্সি নম্বর ১৫না হাংখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ২৫ শুবা মিনটতা কৌব্রু লৈখাগী শান্নরোয় সুজান জর্সি নম্বর ৬না হাংদুনা পাঞ্জল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

মখা তাবা মিনটতা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্মদনা ১-১দা অদুমক লৈনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইভরগ্রিন অমসুং এস জি ৱাই সী সেরৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু অয়াম্বা মতমদা এস জি ৱাই সীনা ফজবা হেনখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস জি ৱাই সীনা ইভরগ্রিনবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। এস জি ৱাই সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু রঞ্জিৎ দাল জর্সি নম্বর ৬ অমদি পুরান খানাল জর্সি নম্বর ১৪না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইভরগ্রিনগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা রোনেক গুরুং জর্সি নম্বর ১০না চনখি।

### ফর্ষ্ট হৈস্নাম নিলকমল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# অল এফ সী, এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ, য়ু টি এল দল্লিয়ু ও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩(ঐচএনএস): দি এস ইন্টরপ্রাজেসনা শীন্দুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব ৱাই আই সী কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না শীন্দুনা ৱাই আই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্ষ্ট হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল য়ু-৪০ কেজি ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা অল এফ সী, এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ, য়ু টি এল দল্লিয়ু ও মায় পাকখ্রে। অদুগা ফাইভব্রদর অমসুং রিএল ফুটবোল একাদেমি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা অল এফ সীনা এম এস সী ঙানপীথোংবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অল এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু য়ুমজাও, রোহন, লালমিনলুননা চনখি। এম এস সী ঙানপী থোংগী পাঞ্জল অদুনা মঙালস্নানা চনখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা অল এফ সীগী লালমিনলুননা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌনা টি ৱাই দি এ তৌবুলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এল কে ৱাই দি এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সরিফ, সঞ্জয়না চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা সরিফনা তাখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইভ ব্রদরস এফ সী অমসুং রিএল ফুটবোল একাদেমি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। ফাইভব্রদরস এফ সীগী পাঞ্জল অদু অনন্দনা চনখি। অদুগা আর এফ এগী পাঞ্জল অদুনা ৱারিশনা চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা অনন্দনা তাখি।

মরিশুবা মেচতা য়ু টি এল দল্লিয়ু ওনা অর্বিন এফ সীবু পাঞ্জল ১৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। য়ু টি এল দল্লিয়ু ওগী স্কোরশিং অদু বেনসননা পাঞ্জল ৮, কিংসননা পাঞ্জল ৩, ৱাইখোম্বনা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা অর্বিন এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা সপিনকুমারনা চনখি।

## জুদোগী কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): ময়ায় লম্বী স্পোর্টস একাদেমি, ময়াং ইম্ফালনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা ৱান মন্থ ফ্রী রেসিদেন্সিএল জুদো কোচিং কেম্প চৎলিবা থা অসিগী ২৭তগী ফেব্রুৱারী ২৭ ফাওবা ফোর্থ ৱান মন্থ ফ্রী রেসিদেন্সিএল জুদো কোচিং কেম্প ২০২০ পাঙথোক্লগনি হায়না ময়ায় লম্বী স্পোর্টস একাদেমি, ময়াং ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, কনাগুম্বা জুদো মশান্না অসিবু পাম্বীবশিংনা অয়ুক্কী পুং ১০.৩০দগী নুংথিলগী পুং ৪.৩০ ফাওবগী মনুংদা ময়াং ইম্ফাল আই বি রোদতা লৈবা সেন্টর অসিদা লাকপীদুনা অকুপ্পা মরোল তানবীয়ু। লোয়ননা কন্টেক্ট নম্বর ৯৩৮৩২৪১৪১৮/৮৭৮৭২৭৯৬৭৪ দা পাউ ফাওবীয়ু হায়রি।

## থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন, মণিপুরনা শিন্দুনা লাক্লিবা মার্চ ২৬তগী ২৯ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা ২৬শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২০ খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৮গী সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী থাঙ-তা শান্নরোয়শিংনা ফুনবা অমা, ফুনবা অনীশুবা, থাঙ-হাইবা, থাঙলোন অমদি খোঙলোন-খূৎলোন অসিনচিংবদা চাংদম্নগনি হায়রি।

## ১৩শুবা ষ্টেট লীগকী প্লেয়র রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম করেক্সন তৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০গী প্লেয়রশিংগী রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম চুমথোকপা অমসুং হাপচিনবা থা অসিগী ২৫ ফাওবদা তৌহৌবা য়াগনি হায়না অস্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী কো কনভেনর এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): মুম্বাইগী সনবিচ রিজোর্ট গোরাই বিচ ভয়ান্দরদা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮দা পাঙথোক্কদবা ২শুবা বিচ কন্বেট গেমস ২০২০ নেসনল কিক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ নন-গোভ ৱাকো ইন্দিয়াদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী কিক বোক্সিং এসোসিএসনগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে।

HL-B/5952/24dec-10Feb.




ADMISSION OPEN
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-P/4570/19-28jan.




HL-P/5803/28-31dec./01-29jan




BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.
1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer,Mushroom Farmers,Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%,1.5%,2%,2.5%&2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment , Rice Mill
N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।
DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 8794748661/9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/579/2nov. to 30 dec.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com